# একাডেমিক পব্লিক দিস্কোস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

ওবজার্ভেসন কম্মিটি ওন 'য়ুনাইটেদ নেসনস দে' ২০১৮না শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পব্লিক একাডেমিক দিস্কোস ওন প্রোমোসন, প্রিজার্ভেসন, প্রোটেক্সন এন্দ ইনরিসমেন্ট ওফ মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ, কল্চর স্ক্রিপস, হিষ্টোরি এন্দ শাকোক থিরেন হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী ভাইস চান্সেলর নারেংবম বিশ্বজিৎনা হায়, থৌরম অসিবু য়াওবা লাক্লিবা চীংমী অমসুং তম্মীশিং অসিনা ঐখোয় অসি অমত্তনি অমদি নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরি হায়বদু তাক্লি।

লমদম অসি ফুরুপ কয়া পুন্দুনা তামিন্নরিবা লমদমনি। অদুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা লমদম অসি ঙাক শেনমিন্নরসি। লাইহাক্তক্তগী লৈরক্লবা পুৱারীশিং অমুক নৌহৌননা থিমিন্নরসি। লোয়ননা পুৱারি খঙলবতদা নুংশিবগী মরী হেনগৎলক্কনি। ইনাক খুল্লবা ঐখোয়গী ইরোন–ইয়েক অসি ঐখোয়না মীরাইবগী মমি তারি। মরম অদুনা ইশা–ইশানা ইরোন–ইয়েক অসি ঙাক্না থমসি। মসিবু চঊখৎলবতদা সমাজ অসি চঊখৎপা ওইগনি। লমদম অসিগী লোন অসিবু য়োকখৎনবা লেঙ্গুয়েজ পোলিসি অমা সরকারনা শেম্বীয়ু হায়খি।

ঙসিগী পব্লিক দিস্কোস অদুনা ৱারেপ অনী লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি–ষ্টেট লেঙ্গুয়েজ পোলিসি শেম্নবা সরকারদা অপিল তৌবা অমদি প্রোমোসন এন্দ প্রিজার্ভেসন ওফ ইন্দিজেনস স্ক্রিপ ওফ মণিপুর হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা পুংদোংবম জিপিগী প্রধান এন ইবোচৌবনা থৌরম মপু, তামেংলোং এমএদিসি এম দেনিএল, উখ্রুলগী এক্স–এমএদিসি ৱাই লুংহের অমদি ডা.টিঐচ চন্দ্রমনিনা ইকায়খুম্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# পুলিস কন্সটেবল রিক্রুটমেন্ট–২০১৩ কেসঃ অর্গুমেন্ট হিয়ারিং মখা চত্থরি, লৈখায় তাদ্রি

এনএসএন

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ ঃ

ৱাথোক ওইরিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্ট কন্সটেবল (মেল / সিভিল) গী পোষ্ট ২০০০ লৌনবগী হৌখিবা চহী ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অদুগী মতাংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী সিঙ্গল বেঞ্চ অমনা এপ্রিল ৫, ২০১৮ দা পীখিবা রুল্লিং অদুবু শীংনরকখিবা রিট আপিল পিটিসনশিং অমসুং মসিগী মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ুএ) পিটিসনশিং মরক্তা চত্থরকখিবা আর্গুমেন্ট হিয়ারিংশিং ঙসিসু মখা তানা চত্খ্রে।

সিঙ্গলস বেঞ্চকী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা নাকল অনীমক্তগী ফাইল তৌনরকখিবা দব্লিয়ুএ অমদি এমসি (দব্লিয়ুএ) গী অপুনবা পিটিসন ১৭ মক ঙসিসু কোর্টসিগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস কেঐচ নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর–১ দগী ১৭ ফাওবদা পুল্লপ লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি।

জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা রিট আপিলশিং ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নরশিংনা কৈশাম রুপচন্দ্র, কোন্থৌজম কানন, থিংঙুজম রোমেস, মুতুম সুরজিৎ, লাইশ্রম বিদ্যশ্বোর, থিয়াম বিশোজিৎনি অদুগা এমসি (দব্লিয়ুএ) পিটিস্নরনা শমজেৎশাবম সমসননি। পেটিস্নরশিং অসিনা দব্লিয়ুএ অমদি এমসি (দব্লিয়ুএ) পিটিসনশিং পুন্না ১৭ ফাইল তৌনরকখিবনি।

দিভিজন বেঞ্চ অসিনা পিটিসনশিং অসি লৌখৎতুনা থাসিগী ২০দগী মসিগী আর্গুমেন্ট হিয়ারিং চত্থরকখিবগী মখা তারকপদা ঙসিসু রিট আপিলশিং ফাইল তৌরক্লিবা পিটিস্নরশিং অসি পাঙথোকখ্রিবা রিক্রুটমেন্ট অদুগী টেষ্টশিংদা ফেল ওইহৌরবা কেন্দিদেটশিংনি। মখোয়বু কেস অসিদা থার্দ পার্টিশিং ওইনা লৌবা য়ারোই মখোয়না পাঙথোকখ্রিবা রিক্রুটমেন্ট অদুবু চেলেঞ্জ তৌবগী হক লৈতে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংনা ফোঙদোকখি।

মসিগী পাউখুমদা পিটিস্নরশিংগী মহুৎ শীন্দুনা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট অদুগা মরী লৈননা লৌখৎখিবা থবকশিং মখোয়দুসু খঙহল্লকফম থোক্লবসু খঙহল্লমখিদে হায়বা ৱাফমশিং কোর্টতা থমখি।

কোর্টনা নাকল অনীমক্কী আর্গুমেন্টশিং তারবা মতুংদা ৱাফমসিগী মতাংদা লৈখায় তাবা ৱারোইশিন অমা পুরকপগী মখা তাবা আর্গুমেন্টশিং তঙাইফদবা লৈরিবনিনা মথং থাগী ৩০ দা চত্থনবা মতম লেপখি।

পনবা য়াবদি এপ্রিল ৫, ২০১৮দা সিঙ্গলস বেঞ্চনা পীখিবা রুল্লিং অদুদা রিক্রুটমেন্ট অসিগী ভাইভা ভোসি টেষ্ট পাঙথোক্কদবা ৱাৎহৌরিবা কেন্দিদেট ৩৪৮ গী টেষ্ট অসি পাঙথোক্লগা ইনক্বারি কমিতি ক্বালিফাই ওইরে হায়রিবা কেন্দিদেট ৭২৩০ অদুগা পুনশিন্নরগা মেরিট বেসিসতা কেন্দিদেট ২০০০ খনগৎলগা থা ৩ ফাওবগী মনুংদা এপোইন্টমেন্ট পীগদবনি হায়খিবনি।

অদুবু জজমেন্ট অসিগী মায়োক্তা রিট আপিলশিং অসি ফাইল তৌরকপদগী দিভিজন বেঞ্চ অসিনা জজমেন্ট অদু চৎনন্দনা ঙসি ফাওবদা থল্লক্লিবনি।

# মহৈরোই লূপ ৬না কৌখিবা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক মায়কৈ কয়াদগী শৌগৎনরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক চরাংনরবা ফিভম অমা থোক্লিবা মরুওইনা ওঝা অমদি মহৈরোই ফাজিন্দুনা একাডেমিক এটমোস্ফিয়ারদা চাওনা অকায়বা অমা পীরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা মহৈরোই লূপ ৬না থা অসিগী ২৬কী অহিং নোংয়াইদগী ২৮গী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুর পুন্না জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়রিবা অসি মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ইমা লূপশিং অমদি থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবক মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। এএমকিআইএনগী প্রসিদেন্ট ইমা শাখিনা হায়,হৌখিবা আগষ্ট ১৬তা ঐচআরদিগী মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমদি মণিপুরী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা এময়ু কম্মুনিটিগা খূৎয়েক পীনখিবা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্ট অদু ঙাক্না চৎতবা অদুগী মায়োক্তা এময়ুদা থোক্লক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননবা হৌখিবা তাং ২০ অমসুং ২১গী লোন্নবা অহিংদা মণিপুর লৈঙাক্না পুলিস অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা এময়ুগী বোইজ হোষ্টেলদা হৌজিক–হৌজিক পরিক্ষা থারিবা মহৈরোইশিংদা টিয়র গ্যাস, মোক বোমনচিংবা কাপশিনবা য়াওনা মহৈরোই কয়া অশোক–অপন নংহনখিবদা নত্তনা হৌজিকসু মহৈরোই ৭ অমসুং ওঝা ৬ ফাজিন্দুনা জেলদা থম্বা অসি থম্মোয় শোক্লা য়ানিংদে।

ঙসিগী লৈঙাক অসিনা মহৈরোই লূচিংবশিং ফাজিল্লগা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম মীয়ামগী অচুম্বা খোল্লাউবুসু নমশিন্দুনা থম্নবা হোৎনবা, ওঝা ৬ থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবা য়াওনা কা হেনবা থৌওং কয়া চত্থরিবা অসি খুদক্তগী তোকউ নৎত্রবদি তুংগী মীরোল কন্নবগীদমক মীয়াম থোক্লক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ফাজিনখিবা মহৈরোই অমদি ওঝা থাদোকউ

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ*

*মণিপুরগী অৱাংবা থাক্কী মহৈতম্ফমশঙ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোই অমদি ওঝাশিং ফাজিনখিবা থাদোক্কদবনি হায়না পীপলস এক্সন ফোর নেস্নেল দিভলপমেন্ট এন্দ পীছ (পিএএনদিএপি)গী পব্লিসিটি ইন–চার্জনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।*

*চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোইশিংবু অহিং নোংয়াইদা ফাবা–পুনবা অমদি কা হেনবা থৌওং চত্খিবা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা লূপ অসিনা কন্দেম তৌরদুনা তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিংগী খন্দুনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা এময়ুগী ৱাথোক অসি ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়নসু মখা তারি।*

# সেন্টরনা চান্নবা হোৎনবদা ঐখোয়গী আইদেন্টিটিবুসু য়োম্হোকপা ঙমগদবা সরকারনিঃ গাইখাঙম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসিদগী সরকারসিবু অশোনবনি তাকচবনি লোয়ননা সেন্টরনা চান্নবা হোৎনবদা ঐখোয়গী লৈজরিবা আইদেন্দিটিবুসু য়োম্হোকপা ঙমগদবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনি হায়না সিদব্লিসিগী মেম্বর গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

১৪শুবা য়াইস্কুল ব্লোক কংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা নৌনা পার্টিসিদা চঙলকখিবা ঐচভিএসকী প্রোপ্রাইটর ঐচ বিক্রমজিৎ ওকপগী থৌরম ৱাঙ্খে দা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা গাইখাঙমনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক্তা সরকার অসি মীয়ামগী খ্বাইদগী পাঙদবা সাসন অমনি। ৱাথোকসিদা অচুম–অরানশিং করিনা–করিনো হায়বসিদা নিংথিনা নৈনবা য়াবা ঙাক্তনি। অদুবু সেন্টরদা লৈঙাক্লিবশিংগী য়াকাখক য়েংদুনা অচানবা মপু মশক খঙবা মনাই ওইহন্নবা হোৎনবদা সরকারসিনা লমদমসিগী মীয়ামগী মহৌশানা লৈজরিবা সোসিয়েল, কলচর, ইমোস্নেল ইন্টিগ্রেসনশিং নীংথিনা ঙাক শেনবগী মহুৎ অমদি হৌজিক লৈজরিবা অইদেন্টিটিশিং ফাওবা য়োম্হোকপা ঙমগনি হায়খি।

লৈবাকসিগী মহৌশানা লৈজরক্লবা মল্টি নেস্নেল ওইজবা মফম অমনি। মসিদা সেন্টর অমদি ষ্টেট সরকারসিনা য়ুনিটি এন্দ দাইভরনিটিশিংবু থুগায়নবা লালোংশিং মখা তানা চত্থরি। মসিদা মীয়াম্না অখণ্ড–অহৈশিংনা লমদমসিগীদমক য়াইফনবা পাউতাকশিং ঙাংলকপদা সরকারসিনা য়েক্নবা অমগুম্না লৌরি। মীওইবা অমনা হিরম অমদা নৎত্রগা থবক অমগী অফবা ফত্তবশিংবু ময়েক শেংনা হায়জবদা সরকারসিনা অথিংবা পীবিরি। মসিদা মীওই খরবু সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খরা হায়রুবদা এন্টি নেস্নেল নৎত্রগা এন্টি গভর্ণমেন্টনি হায়দুনা কিহন–খঙহনবগী থবকশিং চত্থরি। মসিনা লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী ফ্রিদম ওফ স্পিছপু লৈতবগুম্না লৈঙাক পায়বশিংনা মখা তানা চত্থরক্লিসি য়ানিংদে। হৌখিবা চহী ১৯৮৯দা চিনাগী লুচিংবা প্রাইম লি পাইংগী মতমদা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা এময়ুগী ৱাথোকসিদা নীংশিল্লক্লি। মসিদা মহৈরোইশিংবু চাওনা ক্রেকদাউন তৌখিবদগী মালেমগী মীয়াম্না ঙাংনখিবনি। মসিদা হায়নিংবদি, মহৈরোইশিংবু নুংশিনা তৌবাবা অমদি ওঝা গুরুশিংবু খুরুম্বীবগী চৎনবীশিংবু সরকারসিনা কাওথোকপীরে। খুনাই অমদা শান্তি পুরক্লবা হোৎনবদা মীপুম পুম্নবু নমথবীদুনা থম্বা য়ারোই।

লৈমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক্না অমগা–অমগা পাউ ফাউনদুনা নেনা তাবা মফম ওইরবা তুংদা লমদম অদু তংদু–লৈতাবা লমদম অমা ওইগনি হায়খি।

মখা তারকপদা ঐচ বিক্রমনা হায়, য়াইস্কুল এসি অসি মশক থোকপা মফম ওইহন্নবগা লোয়ননা লমদমসিগী অপুনবা মফমশিংবু অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবা হোৎনবদা লেপ্তনা চঙশিনগনি।

ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ইশুশিংদা মীওই খরনা খঙদনা মরৈ য়েৎতুনা অচুম্বা শারিবসিদি ইশা–ইতোমতা ইকায়বা ফাওই। মীওইবা অমা ওইনসু অশেংবা ৱাফম মীয়ামদা হায়বদি পূক্নিংনা পেন্না হায়বা ঙম্মী। অরানবা শাশিন্নবা ৱাফমদি কৈদৌঙৈদসু মায় পাক্না হায়বা ঙম্লোই। মরম অসিদগী হিরম খুদিংমক পূকচেল শেংলগদি শোয়দমক মায় পাকপসু ঙমগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৌরম অসি কোংবাদা শন্দোংপুঙ লম্পাক্তা পাঙথোক্লবা লেপ্পখিবদা সরকারনা থিংজিল্লকখিববু নুংঙাইতবা ফাওই হায়খি।

থৌরম অদুদা তেঙ্গন–তেঙ্গনবা এসিগী এমএলএশিং অমদি য়াইস্কুল ব্লোক কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট পিঐচ গুনেশকুমার শর্ম্মা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# ষ্টেট 'মোর্ন দে' ২০১৮ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুর অমদি সিপিআইনা শীন্দুনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ৬৭রকশুবা লিখিদবগী নীংশিংবগা মরী লৈননা ষ্টেট মোর্ন দে ২০১৮ ইরাবত ভবন সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরগী চিয়ারমেন ডা. এম নর, সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমার অমদি পার্টিগী থৌ পুবশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ডা. এম নরানা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি মীয়ামগী লুচিংবা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপদা নত্তেনুমিৎ অসিদা ইরাবতনা মঙলম্বা মঙলান অদু মঙফাওননবা ৱাশক লৌবনি।

অমরোমদা ঙসিগী থৌরম অদুগী খুদোংচবা লৌরদুনা ডা. নরা হায়, গভর্ণমেন্টনা থোকখিবা ওর্ডর অমগী মতুং ইন্না কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদগীনা হিয়াংথাং ফাওবগী লম্বী অসি ইরাবত রোদ হায়না মমিং থোনবা লৈখ্রবসু মীয়াম্না খঙনবা ৱাৎলি। অদুনা লম্বী পরিং অসিদা থারিবা সাইনবোর্ডশিং অসিদা ইরাবত রোদ হায়না মীয়াম্না থাবীনবসু মহাক্না মীয়ামদা অপিল তৌখি।

# পিএলএগী ৪০শুবা কুমওনগা মরী লৈননা পাউজেল পীরক্লি

*হান্নগী মখা...*

মরম অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঐখোয় মশেলগী মরক্ত লৈনরিবা য়ান্নদবা মানবশিং অসি উৱগা মখোয়দা পাঙ্গল হাপকৎতুনা খুদোংচবা লৌরিবা অমদি লংলা–লংজিন খঙদবমখে পূনশিনখিবগুম মখল–মখা কয়াগী তুপাথোক্ত্রিবা হিরমশিংনা চন্নখ্রবা খুনাই অসিবু অমত্ত ওইনা শেৎতেক্তুনা ৱাখৈবা ঙম্নবা ঐখোয় হান্না অমত্ত ওইনা চুম্শিন্নখিবা তই।

হৌজিক ঐখোয়না ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক মখাদা লৈরিঙৈমতম অসিদা খুন্নাইগী ওইনা তঙাইফদনা হৌহৌদবা য়াদবা থবকশিংদা য়ারিবমখে ঐখোয় মশেল পুনশিন্নরবা মায়কৈ অমদা চৎমিন্নদুনা ময়ামগী অনিংবা অমদি অপাম্বা অদু অমত্ত ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইরক্লে। মসিনা ঐখোয় মশেলগী মরক্ত লৈবা থাজনদবা অমদি অমনা অমগী মায়োক্ত লৈনিংবগী ৱাখল্লোন অদু কোকহনবত নত্তনা থোক্লিবা থৌদোক–ৱাথোক্লা মণিপুরগী মীয়ামদা অতম্না পীরিবা চৈথেং কয়া অসি খরদা ওইরবসু হহনবা ঙমগনি। ফনা য়াম্না মরম চরবসু বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা তৌদুনা জেনরেল ষ্ট্রাইকশিং চত্থবা হায়বসি ইন্দিয়া দেমোক্রেসিকী মচৎ ওইরবসু হৌজিক্তি মীয়াম্না পাম্নদবা খোঙজং মওং অমা মণিপুরদা ওইরক্লি। মসি মীয়াম্না থেংনখিবা খুদোংচাদবা ফিভম কয়াদগী খুন্নাইগী পূন্সিদা ওইহল্লকখিবা অহোংবা অদুনি। অসিগুম্বা অহোংবা অসি থৌশাদনা ঐখোয়না ঐখোয়–ঐখোয়গী ফঙফম থোকপা হকশিং ফঙবা তল্লিবনি হায়দুনা মীয়াম্বু কা–হেন্না খুদোংচাদবা পীবনা চঙ্শিল্লিবা খোঙজং অদুগী মহৈ অদু ইশানা–ইশাগী ইখোঙ্গা শীংজংনা য়ানশিঙ্গবা ওইনা থোক্তুনা ইশাগী খুন্নাইবু শোয়নাইহনবদা ঐখোয়সু শরুক য়াবা ওইনা থোক্লক্কনি। মরম অদুনা লৈবাক্কী ওইবা হকচিনবা হিরমশিংদা জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবা নত্তনা চঙশিনগদবা তঙাই ফন্দবা ৱাকৎ খোঙজংশিংগী থৌরম পরেং য়াৎপদা য়ারিবমখে মীয়ামগী মরুওইনা নোংমগী চরা তঙ্গরিবা মীওইশিংগী হিংনবগী পান্দ্রদা অমসুং অনা–অয়েক অমদি লাইরিক–লাইশু তম্ন্নগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা কা হেন্না অথিং–অরাক লৈহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক্তি য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরক্লে। (মথং মথং...)

# নোংচুপ কমেংদা লিগেল এব্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

ঙসি ময়াং–লাংজিং তানিংগী লিগেল এইদ ক্লিনিকনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওঠোরিটি, ইম্ফাল ৱেষ্টকা খূৎশম্নুনা শীন্দুনা মফমসিগী নোংচুপ কমেং কম্মুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা লিগেল এব্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টসু ওইরিবা দিএলএসএ,ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেয়রমেন মাইবম মনোজ কুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। অদুগা এলএসি অসিগী পিএলভি মেম্বর টিঐচ ইবোসনা খুমননা ময়াই তাংবল লৌরগা নোংচুপ কমেং অৱাং লৈকাইদগী সোসিয়েল ৱার্কর লৈশাংথেম গৌরহরিনা ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেন ওইখি।

প্রোগ্রাম অদুদা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেনগী মতুংদা এডভোকেট বি সুপ্রিয়ানা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংলগা মোব জষ্টিস অমসুং মীয়ামদা লিগেল সার্ভিসশিং ফঙহন্নবগী মতাংদা চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেয়রপার্সন টিঐচ রাজকিশ্বর, এডভোকেট অমসুং এডভোকেট কে ধনেনা ৱা ঙাংখি।

# শুমাঙ লীলাগী শক্নাইরবা মঙশাতাবম নিংথেমজাও লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

শুমাঙ লীলাগী শক্নাইরবা মীয়াম্না 'জয় লক্ষমি' শাবা হায়রগা শকখঙনখিবা মঙশাতাবম নিংথেমজাও মৈতে চৎলিবা থা অসিগী ২১দা লৈখিদ্রে।

শক্নাইরবা অসিনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎপগী থৌরম অমা লৈখিদ্রবগী লুৱাংশাংবম মখা লৈকাইদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

লৈখিদ্রবগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ–শু কৎপগা লোয়ননা ঈশৈ–নোংমাইনা মরুওইবা ওইখিবা থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী নবা ৱারেপ্পা, এমএসএসএলসিগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট জুগিন্দ্রে, এমএসএসএলসিগী পুর্নিমাসি লৈমা লোয়ননা নুপা অমদি নুপীশাবী লীলারোইশিং অমদি ফম্বাক্তা থোক্তুনা শক্তম লাংলম্বদগী পোত্থাখ্রবা আর্টিষ্ট কয়াসু শরুক য়াখি।

# জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২২শুবা মপোক কুমওনগী মরুওইবা থৌবু মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা ওইরগনিঃ ডা. নরা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম লাক্কদৌরিবা সেপ্টেম্বরগী তারিক ৩০দা পাঙথোক্কদৌরিবা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২২শুবা মপোক কুমওনগী মরুওইবা থৌবু মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা ওইরগনি হায়না জননেতা হিজম ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটিগী চিয়ারমেনগী থৌ পুরিবা হান্নগী মন্ত্রি ডা. এম নরানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা কাউন্সিল অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ঙসিদি থৌরম অসি মণিপুরদা নত্তনা আসাম অমদি ভারতকী ৱাংমদা লৈবা বঙ্গলাদেশ অমদি ম্যন্মারগী মফম কয়াদসু পাঙথোক্কদৌরি।

অদুবু মরুওইবা ফঙ্কসনদি এমএসএসএলসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা ওইগনি। লোয়নন থৌরম অসিনা মরুওইনা পেলেস কম্পাউন্দ অমদি অকোইবদা মার্স পাস চৎপা অমদি শক্নাইরবা কলাকার কয়াগী ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম্না মপুং ওইগদবা থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু হায়নসু মহাক্না অপিল তৌরক্লি।

# আসামগী লংকাদা জন নেতা ইরাবতকী মিতম মায়খুম হাংদোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

মণিপুরী কলা কৃষ্টি কেন্দ্র, পীপল পুখুরীল লংকা, হোজাই, আসামনা শীন্দুনা লাক্লিবা তাং ৩০দা নং. ১পীপলস পুখুরী, লংকাদা জননেতা ইরাবত দে থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ইরাবতকী মিতম অমগী মায়খুম হাংদোক্কদৌরি।

সেপ্টেম্বর ৩০গী অয়ুক পুং ৯দা মণিপুরী কৃষ্টি কেন্দ্রগী প্রসিদেন্টনা কৃষ্টি কেন্দ্রগী ফিরাল চিঙ্খৎতুনা হৌদোক্কদবা থৌরম অসিদা মণিপুরগী পিদিএস অমসুং কঞ্জুমর্স এফিয়ার্স মিনিষ্টর করাম শ্যাম সিংহনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা জননেতা ইরাবতকী মিতম অমগী মায়খুম হাংদোক্কদৌরি।

থৌরম অসিদা স্পিসিয়েল চীফ গেষ্ট ওইনা য়ায়স্কুল কেন্দ্রগী এমএলএ টিঐচ সত্যব্রত অমসুং লমদিং, এসি আসামগী এমএলএ সুপ্রিয়ো মিশ্রা শরুক য়াবগা লোয়ননা সেকমাই এসিগী এমএলএ ঐচ দিঙ্গো, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ অসামগী প্রসিদেন্ট ডা. করাম ইবুংঙোহল সিংহ, য়ুসিএমগী প্রসিদেন্ট করাম সুনিল, য়েংকোকপম থিরেন, কো কনভেনর জেসিআইএলপিএস মণিপুর, ৱাঙ্খেম সরতচন্দ্র, সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট, কাছার, থৌদাম বাবাতোম্বী, প্রসিদেন্ট অইবা লূপ, আসামনচিংবা মীওই কয়াসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

# লৈঙাক্কী এডুকেসন পোলিসিদা শোয়রকপনা মহৈরোইশিংনা মহৈ তম্বদা অকায়বা পীরক্লিঃ সরত

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এসএফআই), মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা শীন্দুনা 'কনভেন্সন ওফ দ প্রোপ্লেমস কনফোর্টেদ বাই দ ষ্টুদেন্ট ইন মণিপুর' হায়বা থৌরম অমা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমসিদা হান্নগী প্রসিদেন্ট সরত সলামনা হায়, লৈঙাক্কী এডুকেসন পোলিসিদা শোইরকপনা মহৈরোইশিংনা মহৈ তম্বদা অকায়বা পীরক্লি।

হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগুম্না অতৈ ষ্টেটশিংগী য়ুনিভর্সিটিশিংদু থোক্লি। মসিগী মরমদি মতিক চাদবা একাডেমিক ৱার্ক এক্সপরিয়েন্স লৈতবা মীওইশিং থমজিল্লকপা অমদি য়ুনিভর্সিটিদা পোলিটিলাইজ তৌরকপদগীনি হায়না মখা তাখি।

থৌরমদুদা এসএফআইগী জেনরেল সেক্রেটরী বিক্রম সিংহ, এসএফআইগী হান্নগী সেক্রেটরী পারি লুৱাংসু শরুক য়াখি।

# নোকফদে ভোল্যুল–১৭ রিলিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

আর কে ফিল্মস, ইম্ফাল অমসুং নোকফদে কলচরেল ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা নোকফদে ভোল্যুম–১৭ ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই থৌদাম লৈকাইদা লৈবা নোকফদেগী স্ক্রিপ রাইটর প্রদ্যুসর, দাইরেক্টর ওইরিবা থৌদাম রুহিনিকুমারগী য়ুমদা ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্পেক্ট টিভিগী চীফ এডিটর ৱাই রূপচন্দ্র, নোকফদে কলচরেল ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট থৌদাম ইবোচৌ সিংহ, ব্রাইট ফিল্মস মণিপুরগী প্রদ্যুসর চান্দ হৈস্নামনা মথঙশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং ইকায়খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

নোকফদেগী দাইরেক্টর থৌদাম রুহিনিকুমারনা হায়খিবদা, মণিপুরদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ফাগি তৌদুনা মীয়াম্বু নোক্ন–নোক্না ৱাখল খলহনবা ঙম্বগী আর্ট অসি লৈরকই। নোকফদেনসু মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা লিক্রম অদু মখা শমথবা ওইনা ইং ১৯৯৪দগী হৌনা ঙসি ফাওবা মীয়ামগী সেবা তৌদুনা লাকপনি। নোকফদেনা মীয়ামগী সেভা তৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী শক্নাইরবা আর্টিষ্ট কয়া পুথোকপা ঙমখ্রে। অর্টিষ্টশিং অদুগী মনুংদা পনবা য়াবা খরা হায়রবদা জেসেফ, রঙ্গিলাল, কুবের অমদি হেরোজিৎনচিংবা পনবা য়াই।

## লমায় ১ গী মখা

# লমগী খৎনবদা...

নোংমৈ কাপ্পা হৌরকন্দগী মদুদা খুঙ্গাশিং অদু কায়দুনা চেন্নরকখি।

মদুদা মরামচিং পার্ট ৫দগী পৌথাওগাঙমৈ (৫৬) অপোকপা পাও ফুনগাই কৌবা মীওই অমা য়েৎ থংবা পাম্বোমদা কার্তুজ মরুনা পানবদগী শোকখি। অতোপ্পা মীওই ২ অমনা ফুববগী থিনা শোকখি।

শোক্লবা মখোয় অহুমক মরামচিং খুলতম্না লাকপগী লম্বীদা সিআরপিএফ কেম্প অমদা ফার্ষ্ট এদ পিরবা মতুং অতৈ খুঙ্গাশিংনা অতৈ খুঙ্গাশিং লাক্নগা মখোয় অহুম লৌখৎলগা রিমস হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্নখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি মরামচিং খুলগী মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌরে হায়রি।

অমরোমদা, থৌদোকসিগী মরী লৈননা নোনে পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

# অৱাং নোংপোক লমদমদা কংগ্রেসকী...

প্রোব্লেমশিং অদুসু খঙদোক্লবা হোৎনরগনি।

ওল ইন্দিয়াগী ফিসরমেন কংগ্রেস (এআইএফসি)গী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটকী প্রসিদেন্টশিংগসু উন্নগনি। অৱাং নোংপোক লমদমগী ঙামী কম্মুনিটিগী ওইনা লোজিষ্টিক, ফাইনান্সিয়েল সপ্পোর্ট তৌবা দরকার ওই।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী মিসন অসি লৈবাক অসিগী ওইনা ঙামীশিংবু য়োকখৎনবগীনি হায়রদুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বশিংগী এদভাইস অমসুং সজেসনসু লৌগনি হায়নসু নিংঙোম্বম বুপেন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

# ইরাবোত লৈখিদবগী...

লমদম অসিবু মমিং তাকপা ঙম্বগুম অতোপ্পা ফিল্ডদা লৈরিবা ঐখোয় খূদিংনসু লমদম অসিবু মালেমদা শক তাকপা ঙম্নবা হোৎনসি হায়রদুনা অনৌবা লৈঙাক অসিদা হিজম ইরাবোতকী মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স অমা শাগৎনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর এ সিভাদাস শর্ম্মা, ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী ফোরমর মেম্বর এ ব্রজকুমার শর্ম্মা অমদি জননেতা হিজম ইরাবোত মেমোরিয়েল ত্রষ্টকী এদভাইজর এনজি নোংয়াইনা থৌরম মপু অমদি অথোইবা লেঙবিরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

# ঝলজিৎ ভর্সেস সিবিআই কেসঃ...

ওইরিবা তাঙ্কক অসি চত্থরক্লিঙৈগী চৈরক্তা কেস অসিগী একুইজ অমা ওইরিবা কম্মান্দোগী পার্সোনেল থৌনাওজম হেরোজিৎনা লৈখিদ্রবা চুংখাম সঞ্জিৎ মহাক্না মহাক্কী মথক থোংবা ওফিসর অমনা পীবা ওর্দরদগী নোংমৈনা কাপখিবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্কী মথক থোংবা ওফিসর অদু মতমদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এসপি ওইখিবা ডাঃ অকোইজম ঝলজিৎনি হায়না ফোঙদোরকখিবদগী ৱাফমসিগী মতাংদা মহাকপু সিবিআইনা ওফিসিয়েল ওইনা মচিন হংখ্রবনি।

মসিগী মতুংদা থৌদোকসিগী কেসকী চার্জসিট থাঙ্গৎতুনা মসিগী ৱায়েল ফাওবা চত্থরক্লবা মতুংদা সিবিআইনা থৌদোকসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনখিগে হায়বগা লোয়ননা মসিদা অয়াবা পীবিনবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টতা হায়জরকখিবনি।

কোর্টনসু এজেন্সি অসিনা হায়জরকখিবদা অয়াবা পীখিবদগী পুলিস ওফিসর ডাঃ একে ঝলজিৎপু মখোয়গী ওফিসতা চঙদুনা মচিন হংবা হৌখ্রবনি। মখা তানা ৱাহংপাওহংগীদমক ন্যু দিল্লিদা লৈবা সিবিআইগী হেদ ক্বার্টরদা লাক্লবা সম্মোন পীবদগী মহাক মেদিকেল গ্রাউন্দদা এন্টিসিপেটরি বেল লৌদুনা লৈরকখিবনি। লোয়ননা সিবিআইনা মখা তানা থিজিনখিদে হায়বা ৱাফমসি শীংনরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ক্রিমিনেল পেটিসন নম্বর–৬ ওফ ২০১৭ ফাইল তৌদুনা চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি।

তাল্লকসিদা লৈখিদ্রবা সঞ্জিৎকী মমা শ্রীমতী তরাতোম্বীনা কেস অসিদা মহাকসু সিবিআইগী মায়কৈদা রেসপোন্দেন্ট ওইনা য়াওজগে হায়দুনা মিসোলিনস কেস (ক্রিমিনেল) পিটিসন নম্বর–৬ ওফ ২০১৮ ফাইল তৌরকখিবনি।

কেস অনীমক ঙসি কোর্টসিগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১৫ অমসুং ১৬তা পুল্লপ লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি।

কোর্টনা কেস অনীসি পুন্না লৌখৎলকপদা সিবিআইগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগীদি শ্রীমতী চুংখাম তরাতোম্বীনা পার্টি শেমদুনা রেসপোন্দেন্টকী মায়কৈদা য়াওজগে হায়রকপসিদা অয়াবা পীরে হায়বা ৱাফম কোর্টতা ফোঙদোকখি।

অদুবু ৱাফমসি এজেন্সি অসিগী মায়কৈদগী চিনহায় ওইনা ফোঙদোক্লিবসিগী মথক্তা অইবা ৱারোল (এফিদেবিট) ওইনা পীয়ু হায়বগা লোয়ননা মসি পীখৎলক্নবগী মতম পীখিবগা লোয়ননা কেস অসি মথং থাগী ৩০ দা অমুক হন্না পাঙথোক্লবা মতম লেপখি।

# শকখঙদবশিংনা...

শেল্লি। অদুবু ঙরাংগী থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুনা এম আর পার্স্নেলশিংনা ঙাক শেল্লিবা মফমদুগা খরা লাপ্নবা তুরেল মনুংদা ওইবনিনা এম আর পার্স্নেলশিং অদুনা করিসু তৌবা ঙমহৌখিদে হায়রি।

পনবা য়াবদি, জেলিয়ারোং সিভিল ওর্গনাইজেসন(জেৎসিও)না তমেংলোং হেদ ক্বাটরদা এন্তি সোসিয়েল ওইবা থবক কয়া চত্থবদা চেন্নবনি হায়বা এনএসসিএন আইএমগী দিপুতি কিলোন্সর থাইলিক এলাইজ জ্যোল অমদি এস এস কেপ্তেন খাঙদিহ গাংমৈগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎত্রিফাওবা জেলিয়ারোংদা পায়খৎপা নেস্নেল প্রোজেক্ট পুম্নমক থিংজিল্লগনি হায়না লাওথোকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

# পুং ৪৮গী...

য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ুপিএফ) মণিপুর, উমংলাই কনবা অপুনবা লূপ (উকল), ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কমিতি, খা মণিপুর কলেজ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন, ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নন্না তোঙান–তোঙাননা থাদোরকপা চেরোলনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি শৌগৎকনি হায়না লাওথোরকখ্রে।

# পান্দেনা উশিল...

লেপ্তুনা এময়ু কন্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাংনি।

চীফ মিনিষ্টরনা এময়ুদা নোর্মেলসি পুরক্নবা হোৎনরি হায়রগা ওন্ন–তৈনবদা একাদেমিক এটমোস্পিয়র থুগাইরি হায়নসু মরাল শীরদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।